# ‘ত্রিপুরাদা নুপী অঙাংদা চথুবা ক্রাইম মশিং হেনগৎলক্লিবা অসি বি জে পি লৈঙাক্কী অশোয়বনি’

অগরটালা, নভেম্বর ০২ (এজেন্সি):

ত্রিপুরাদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নুপী অঙাংদা চথুবা ক্রাইমগী চাং খঙহেন হেনগৎলক্লিবা অসি হৌজিক ষ্টেট অসিদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী থৌশিল শোয়বদগীনি হায়না ওপোজিসন পার্টিশিংনা মরাল শিরকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা নুমিৎ নীনিদা নুপী অঙাংদা চথুবা ক্রাইমগী মশিং ৭ হেনখি হায়রি।



ওপোজিসন পার্টিশিংনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা ক্রাইমশিং অসিগী সোলুসন ঙসি ফাওবদা পুরকপা ঙমদনা লৈরি। পুলিসকী থবক থৌওংদসু অশোয়বা কয়া য়াওরি। পুলিসনা লাক্লিবা কমপ্লেন্টশিং অদু মতম চানা য়েংশিন্দবা অমদি রেজিষ্টর তৌবদা থেংথবগী থৌদোক কয়াসু থোক্লি। পুলিসনা মশাগী তৌফম থোকপা মথৌ নীংথিনা তৌদবদগী মরাল লৈবা মীওই কয়া অকিবা য়াওদনা মীয়াম তিনবা মফমশিংদা চথোক চৎশিন তৌরি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা খোৱাই দিষ্ট্রিক্তা চহী নৌরিবী ট্রাইবেল নুপীমচা অমা রেপ তৌখিবগী থৌদোক অদুদা বি জে পিগী পঞ্চায়ত মেম্বর অমা চেন্নে হায়বসি খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। অদুবু পুলিসনা চেন্নরিবা মীওই অসিগী মথক্তা ঙসি ফাওবা এক্সন অমত্তা লৌখত্তনা লৈরি। মসি নত্তবা তোঙান তোঙানবা রেপ কেস কয়াদা ষ্টেট অসিগী বি জে পি মিনিষ্টরগী মচানুপা অমসু চেন্নে হায়না মীয়াম্না ফোঙদোক্নখিবা লৈরে। অদুবু হায়রিবা মীওই অসিগী মথক্তসু লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখত্তনা লৈরি। ওইরিবা ফিভম অসিদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা নুপীশিংগী মরাইবক তন্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লাক্লি। অমদি মসিনা মোলেষ্টেসন অমদি রেপ কেসকী চাং ৱাংখৎহনবদা চাওনা মতেং পাঙশিল্লি। পুন্নমক অসি লৈরিবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা থোকহনবনি হায়রি।

অমরোমদা ওপোজিসন পার্টিশিংনা শিরক্লিবা মরাল অদুবু রুলিং পার্টি বি জে পিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ইলেক্সনগী মতম নকশিল্লকপদগী বি জে পিবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনবনি হায়রি।



দিরেক্টোরেট ওফ ফেমিলি রেলফেয়রগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট সুপরভাইজরি বোর্দ, পি সী এন্দ প্রি-নতাল দাইগ্নোষ্টিক এক্টকী মীটিংদা শরুক য়াখিবশিং

# কোংগ্রেস অমসুং বি জে পি ৱার্করশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নখ্রে গাড়ী কয়া মৈ থাখ্রে



অগরটলা, নভেম্বর ০২ (এজেন্সি):

মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রিপুরা এসেমব্লি ইলেক্সনগী মাঙওইননা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ইলেক্সনগী পোরম পোমিৎ য়াৎপা হৌনখিবগা লোয়ননা মুক্নবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। ষ্টেট অসিদা রুলিং পার্টি ওইরিবা বি জে পি অমসুং ওপোজিসনদা লৈরিবা ৱার্করশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং চাং হেনগৎলক্লি। ঙসিসু কোংগ্রেস অমসুং বি জে পি ৱার্করশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নখিবগা লোয়ননা গাড়ী কয়া মৈ থাদুনা মাঙহন তাকহনখ্রে হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না থৌদোক অসি ত্রিপুরাগী বিসালগরদা থোকখিবনি। নাকল অনীমক্কী মতাংদা খুৎ থোক্নবগী থৌদোক অদুদা বি জে পিগী ৱার্করশিংগী নোংমৈ কাপথোরকপদগী কোংগ্রেসকী ৱার্কর খরা অশোক অপন নঙখি। থৌদোক্তুদা শোক্লবা কোংগ্রেস ৱার্কর অদু সিকন্দর অলি কৌবা মীওই অমনি হায়বা কনফার্ম তৌখ্রে। মহাক খুদক্তা বিসালগর সব দিভিজনেল হোস্পিটালদা পুখৎতুনা ট্রিটমেন্ট চথুরি। মহাক্কী হকচাংগী ফীভম খুদোংথিনিংঙাই ওইরি।

অমরোমদা, খুৎ থোক্নবগী থৌদোক্তা নোংমৈ কাপথোরকখিবা বি জে পি ৱার্কর অদুগী মমিং মন সরকার কৌই হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। মহাক্না মফম খঙদনা নোংমৈ কাপথোরকপগী থৌদোক অদুদা কোংগ্রেস ৱার্কর সিকন্দর অলি খক্তা নত্তনা অতোপ্পা খরসু অশোক অপন নঙহনখি হায়রি।

অমরোমদা, খুৎ থোক্নবগী খুদোংচাবা লৌরগা মীওই খরনা লন্বীগী নাকলদা খামদুনা লৈবা গাড়ী কয়া মৈ থাদুনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে। ফায়র দিপার্টমেন্টকী পর্সনেলশিংনা থৌদোক থোকফমদা চঙশিন্দুনা মৈ কন্নবা হোৎনরিঙৈদা মশক খঙদবা মীওই খরনা এটেক চথুরকপদগী ফায়র পর্সনেল ৫ শু শোকখি হায়রি।

# মীয়ামগী ইহৌ নমথনবা হোৎনবদা পুলিসনা তঙাইফদনা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপখ্রে

নোর্থলক্ষিমপুর, নভেম্বর ০২ (এজেন্সি):

কার থৌদুনা লাকখিবা মীওই অমনা লন্বীদা মীওই অমা থোন্নল্লবা মতুং নাম্থোক্তুনা চেন্নবা হোৎনরম্মী হায়বগী মরালদা মনাক নক্না লৈরম্বা মীওইশিংনা কার থৌরকখিবা মীওই অদুবু গাড়ীদগী চিংথদুনা তমথিনা ফুনবা হোৎনরমখিবা অদু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা য়ারক্তবদগী তঙাইফদনা পুলিসনা নোংমৈ রাউন্দ কয়া নোংথক্তা কাপখ্রে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না থৌদোক অসি অসামগী নোর্থ লক্ষিমপুর দিষ্ট্রিক্ট মনুংচনবা চগোতি বাইপাসতা থোকখিবনি। ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবদা দটসন গো কার অমা খোঙজেল য়াঙনা থৌরকখি। কার অদুনা লন্বীদুদা লাক্লম্বা মোটোরসাইকল অমদা থেংজিল্লল্লবা মতুংদা হন্না য়েংলমদনা মফম অদু থাদোক্তুনা চেন্নবা হোৎনখি। অদুবু মনাক নক্না লৈরম্বা মশিং য়াল্লবা মীওইশিংনা লন্বীগী মনিং মমাঙদা থৎতুনা কার দ্রাইভর অদুবু গাড়ীদগী চিংথরবা মতুং ফুবা হৌখি। থৌদোক অদু উবদগী মনাক নক্না লৈরম্বা পুলিস পর্সনেল খরনা চঙশিন্দুনা মীয়ামগী মোব অদু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনখি। অদুবু পুলিসনা মীওই অদুবু ফুদনবা কয়ারক হন্না হায়রবসু তিল্লম্লিবা মীওইশিং অদুনা য়ারক্তবদগী নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, কারনা থোন্নল্লম্বা বাইক থৌরকখিবা মীওই অদু লায়কন্নবা ঙমদনা শিখ্রে। থৌদোকসিদা চেন্নরিবা গাড়ী দ্রাইভর পুলিসনা মখোয়গী কষ্টদিদা থমখ্রে হায়রি।

# অরুনাচল বি জে পি এম এল এ জামবে তাসি লৈখিদ্রে

ইটানগর, নভেম্বর ০২ (এজেন্সি):

অরুনাচল প্রদেশতা বি জে পি মপাঙ্গল কনখৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখিবা বি জে পি এম এল এ জামবে তাসি মশাগী চহী ৪৮ শুরকপদা অনাবা অমনা মরম ওইরগা ঙসি লৈখিদ্রে হায়না ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা বি জে পি এম এল এ জামবে তাসি অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর পেমা খান্দুগী মনাওনুপানি। মহাক্কী লোয়নবী অমদি মচানুপী অনী অমসুং মচানুপা অমা লৈরি। লৈখিদ্রবা এম এল এ অসি তৱাং দিষ্ট্রিক্টকী লুংলা কন্সটিট্যুএন্সিদা থংনা থংননা টার্ম অহুমলক মায় পাক্লকখ্রবা মীওই অমনি। অরুনাচল প্লানিং এন্দ ইনভেষ্টমেন্ট মিনিষ্টরগী এদভাইজর ওইনসু মহাক লৈরমখি। অমরোমদা, এম এল এ অসিনা লৈখিদবদা চীফ মিনিষ্টর পেমা খান্দুনা অৱাবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মহাক লৈখিদবা অসি ষ্টেট অসিগী ওইনদি মেনখৎপা ঙল্লরোইদবা অহোবা অমা লৈহৌরগনি হায়রি।

# লুপা লাখ ১.২ দা য়োন্থোক্লম্বা নুপীমচা অমা কনবা ঙমখ্রে

পাথশালা, নভেম্বর ০২ (এজেন্সি):

অসাম পুলিসনা হ্যুমেন ট্রাফিক্কিংগী মায়োক্তা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংগী মনুংচন্না ঙসি ষ্টেট অসিগী ভরপেতা দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা সর্থেবারি এরিয়াদা মী লল্লোনবগী থবক তৌবা খুৎপু অমা ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না ঙসি পুলিসনা রেসক্যু তৌবা ঙমখ্রবা অঙাং অসি মমাঙ চহীদা সহর অলি এলাইস বল্লু কৌবা মীওই অমনা ফারগা পুখিবনি। অলি পুলিসনা মতম কয়াগী মমাঙদগী ফানবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। পুলিসনা কন্না হোৎনবদগী ঙসি অলি ফাবা ঙমখিবগা লোয়ননা অঙাং অদুগী মরী মখোঙসু খঙবা ঙল্লকখিবনি। অলি ফারবা মতুং ৱাহং পাউহং চথুবদা অঙাং নুপীমচা অদু মহাক্না হরিয়ানাদগী মীওই অনীদা লুপা লাখ ১.২ দা য়োন্থোকখ্রে হায়বা খঙবা ঙমখি। মদুগী মতুং হরিয়ানাদগী মীওই অনীদুসু পুলিসনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফাবা ঙমখিবগা লোয়ননা নুপীমচা অদু রেসক্যু তৌখিবনি হায়রি।

# গভর্ণমেন্ট স্কিমশিং হৌদোক্নবগীদমক চীফ মিনিষ্টরনা লোকল ট্রেন তোংদুনা চৎখি

অগরটলা, নভেম্বর ০২ (এজেন্সি):

পব্লিক ট্রান্সপোর্ট অসি মীয়ামগীনি। মীয়ামগীদমক গভর্ণমেন্টনা বস অমদি ট্রেন সর্ভিসশিং তৌহল্লিবা অসিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনগদবনি। ষ্টেট অসিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা গভর্ণমেন্ট স্কিমশিং শঙ্গানবগীদমক ঐনা ট্রেন তোংদুনা চৎলিবা অসি পব্লিক ট্রান্সপোর্ট অসি ঐখোয়গীদমক্তনি হায়বদু উৎপনি হায়না ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর মনিক সাহানা ফোঙদোরক্লি।



চীফ মিনিষ্টর সাহাগী ঙসিগী ট্রেন খোঙচৎ অসিদা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর প্রনাজিৎ সিংগা রোয় অমসুং বি জে পিগী ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরি তিংকু রোয়সু শরুক য়াখি। চীফ মিনিষ্টরনা ট্রেন তোংদুনা প্রোজেক্টশিং শঙ্গাবা চৎপগী ফোটো অমা সোসল মিদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখ্রবা মতুং পাউমীশিংগা উন্নখিবা অমদা চীফ মিনিষ্টর সাহানা হায় ভি আই পিশিংনা অতাঙবা গাড়ী তোংদুনা থবক চৎপগী হৈনবী অমা লৈরিবসি থাদোক্কদবনি। ষ্টেট অসিগী ওইনা লৈরিবা মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিংনা পব্লিক ট্রান্সপোর্টতা থবক চৎলবদি মীয়ামগী ৱাখল্লোন্দসু চাওনা অহোংবা লাক্কনি। মিনিষ্টর নত্রগা এম এল এশিংনা মতম পুন্বদা অকে অমৌগী পুন্সি মহিংদা হিংগনি হায়বা লৈতে। ঐসু ইচম চন্বা মীওই অমনি। মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা মীয়ামগী থবক তৌনবগীদমক থাগৎলক্লিবা ঐখোয়না অতাঙবা গাড়ী তোংদুনা চৎপগী হৈনবী থল্লবদি ঐখোয়গী তুং ইল্লক্লিবশিংনসু মতৌ তল্লকপা তাবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, পব্লিক ট্রান্সপোর্টশিং শীজিন্নবদা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না কা হেন্না মীপায়বা পোকপগুম তৌরি। করিগুম্বা মতমদা পব্লিক ট্রান্সপোর্টশিংদা তাবদা নুংঙাইতবা থৌদোকশিং থোকপা য়াওবনা মীয়াম্না থাজবা থল্লক্তবনি। হৌজিক লৈরিবা মহাক্কী লৈঙাক অসিনা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা কন্না হোৎনরি হায়রি।



# CROSSWORD-3689

### ACROSS

1 Brothers (8)
6 Top card (3)
9 Put to use (5)
10 Warlike (7)
11 Group of soldiers (7)
13 Vote into office (5)
14 Required (6)
15 Magician (6)
19 Quarrelled (5)
21 Card game (7)
22 Stir up (7)
23 Fatuous (5)
24 Concealed (3)
25 French emperor (8)

### DOWN

2 Put back (7)
3 Plaything (3)
4 Gypsy (6)
5 Scandinavian language (9)
6 Lithe (5)
7 Brilliant success (5)
8 Occur (6)
12 In the red (9)
16 Savoury pear-shaped fruit (7)
17 Hazard (6)
18 Maintenance (6)
19 Arrive at (5)
20 Eerie (5)
23 Sick (3)

Solution 3688




SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-4088

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 4 | 8 | | | | | | |
| | | | | | | | 4 | 2 |
| | | | | 4 | 6 | | | |
| | | | | 9 | 8 | | 1 | 4 |
| 4 | | | 1 | | 5 | | | 6 |
| 7 | 9 | | 2 | 6 | | | | |
| | | | 7 | 8 | | | | |
| 6 | 2 | | | | | | | |
| | | | | | | 2 | 3 | 1 |

## Solution-4087

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 9 | 2 | 8 | 1 | 7 | 4 | 3 | 6 |
| 1 | 4 | 8 | 2 | 3 | 6 | 9 | 5 | 7 |
| 7 | 3 | 6 | 5 | 4 | 9 | 2 | 8 | 1 |
| 2 | 8 | 4 | 6 | 5 | 3 | 1 | 7 | 9 |
| 9 | 7 | 5 | 4 | 8 | 1 | 6 | 2 | 3 |
| 6 | 1 | 3 | 7 | 9 | 2 | 8 | 4 | 5 |
| 4 | 6 | 1 | 3 | 2 | 5 | 7 | 9 | 8 |
| 8 | 5 | 7 | 9 | 6 | 4 | 3 | 1 | 2 |
| 3 | 2 | 9 | 1 | 7 | 8 | 5 | 6 | 4 |

# EMPLOYMENT NEWS

## BBCI RECRUITMENT 2022 FOR COMPUTER PROGRAMMER

Dr B Borooah Cancer Institute Computer Programmer Recruitment 2022: Advertisement for the post of Computer Programmer in Dr B Borooah Cancer Institute. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 11 November 2022. Candidates can check the latest Dr B Borooah Cancer Institute Recruitment 2022 Computer Programmer Vacancy 2022 details and apply online at the www.bbcionline.org/ recruitment 2022 page.
Dr B Borooah Cancer Institute Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.bbcionline.org/. Dr B Borooah Cancer Institute selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Kamrup. More details of www.bbcionline.org/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Dr. B. Borooah Cancer Institute (BBCI)
invites applications for recruitment of Computer Programmer
Computer Programmer
Job Location:
Dr. B. BOROOAH CANCER INSTITUTE
(Regional Institute for Treatment and Research)Gopinath Nagar, Guwahati, 781016 Assam
Last Date: 11 November 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 2 Posts
Company Dr B Borooah Cancer Institute
Job Role Computer Programmer
Education Requirement B.Tech, B.E
Total Vacancy 2 Posts
Job Locations Guwahati
Experience 1 - 3 years
Salary 25000 - 35000(Per Month)
Posted on 02 Nov, 2022
Walkin Date 11 Nov, 2022
Educational Qualification: B.Tech/B.E
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 25000 - 35000(Per Month)
Age Limit: 30 years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Computer Programmer in Dr. B. Borooah Cancer Institute.
How to Apply:
To know the Walkin procedure for Dr. B. Borooah Cancer Institute Recruitment 2022 candidates can go to the official website and download the Dr. B. Borooah Cancer Institute Recruitment 2022 Notification. Dr. B. Borooah Cancer Institute will conduct the walkin interview for Computer Programmer vacancies on 11/11/2022.
Important Dates:
Published on: 02 November 2022
Last date for application is: 11 November 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

## COTTON UNIVERSITY RECRUITMENT 2022 FOR PROJECT SCIENTIST, PROJECT ASSISTANT

Cotton University Project Scientist And Project Assistant Recruitment 2022: Advertisement for the post of Project Scientist And Project Assistant in Cotton University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 15 November 2022. Candidates can check the latest Cotton University Recruitment 2022 Project Scientist And Project Assistant Vacancy 2022 details and apply online at the cottonuniversity.ac.in/ recruitment 2022 page.
Vacancies for Freshers I Post gradu...
Biotechnology I Biochemistry I Labmonk
Cotton University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ cottonuniversity.ac.in/. Cotton University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of cottonuniversity.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Cotton University
invites applications for recruitment of Project Scientist And Project Assistant
Project Scientist And Project Assistant
Job Location:
Guwahati, Kamrup, - Assam
Last Date: 15 November 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 2 Posts
Cotton University
Cotton University Recruitment 2022 Details
Company Cotton University
Job Role Project Scientist And Project Assistant
Education Requirement M.Sc
Total Vacancy 2 Posts
Job Locations Guwahati
Experience 1 - 3 years
Salary Not Disclosed
Posted on 28 Oct, 2022
Walkin Date 15 Nov, 2022
Educational Qualification: M.Sc
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR Not Disclosed
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Project Scientist And Project Assistant in Cotton University.
How to Apply:
Candidates who wish to join in Cotton University can walkin for the interview on 15/11/2022. The complete walkin process for Cotton University Recruitment 2022 will be available on the official notification.
Important Dates:
Published on: 29 October 2022
Last date for application is: 15 November 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : মীত্রংগী মোইবুং

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

